# রিপীল তৌখ্রবা ফার্ম লোশিং সেন্টরনা এমেন্দ তৌরগা অমুক হন্না চৎনহল্লোই : নরেন্দ্র সিংহ তোমার



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): সেন্টরনা ফার্ম লোশিং এমেন্দ তৌরগা অমুক হন্না চৎনহন্নবা হোৎনরোই হায়না য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা থাংজ নুমিৎতা শেংদোকখ্রে।

রিপিল তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা এমেন্দমেন্টশিংগা লোয়নন্না সেন্টরনা অমুক হন্না চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোরকখিবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা শেংদোক-ৱারোল অসি ফোঙদোরকপনি।

হৌজিক্তি রিপিল তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম্মদুগী মতাংদা ইরাই নুমিৎকী ফঙ্কসন অমদা গভর্ণমেন্টনা লোশিং অসিগী মতাংদা খোঙফম হন্দোক্লিবসি অমুক হঞ্জিনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পন্দুনা হংবদা তোমারনা মহাক মদুগুম্বা ৱাফম পনখিবা লৈতে হায়খি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, ঐহাক্না হায়খিবদি গভর্ণমেন্টনা অফবা ফার্ম লোশিং পুথোকখি অমসুং লোশিং অদুবু ঐখোয়না অমুক হন্দোক্লিবদু মরম খরদগীনি হায়বসিনি। লৌমীশিং য়াইফনবা গভর্ণমেন্টনা মখা তানা হোৎনখিগনি।

মমাঙদা নাগপুরগী ফঙ্কসন অমদা তোমারনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না ফার্ম লোশিং পুথোকখি। মীওই খরনা লোশিং অদুবু পামখিদে। তৌইগুম্বসুং মদু লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুং চহী ৭০গী মতুংদা নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা হৌদোকখিবা অচৌবা রিফোর্ম অমনি। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টতা নিংহন্নবা লৈতে। ঐখোয়না তঙায় ফন্দবদগী খোঙফম অমা হন্দোকখি, তৌইগুম্বসুং লৌমীশিংনা ইন্দিয়াগী য়াঙলেন শরু ওইবনা ঐখোয়না অমুক হন্না খোঙফম হঞ্জিনগদবনি, মরমদি লৌমীশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লবদি লৈবাক অসিগী পাঙ্গলসু হেনগৎলক্কনি।

সেন্টরনা খোঙফম অমুক হঞ্জিনগনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি, রন্দীপ সর্জেৱালানা হায়, লৌমীশিংগী মায়োক্তা ওইবা ফার্ম লো অহুম অদুবু অমুক হন্না চৎনহন্নবা সেন্টরনা খুজিল থৌরাং তৌরি হাবসি তোমারগী ৱাফম অসিনা অমুক হন্না এক্সপোজ তৌরে। ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা সেন্টরনা ব্লেক লো অহুম অদু অনৌবা মওং অমদা অমুক হন্না চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়বসি শেংলে। মখোয়না মসি তৌরিবসি কেপিটেলিষ্টশিংগী প্রেসরদনি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা হায়খি মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পার্লিয়ামেন্টতা এপোলোজাইজ তৌদুনা ব্লেক লো অহুম রিপীল তৌখ্রিবসি ষ্টেট মঙাগী মীখলদা মায়থিবা নঙগনি হায়না কীবদগীনি।

# বি জে পি লীদর হাৎখিবা মীওইশিং কেরলা পুলিসনা মশক খঙদোকপা অমদি ফাবা ঙমদ্রি

থিরুভানন্তপুরম, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ষ্টেট বি জে পিগী ও বি সী মোর্চা সেক্রেটরি ওইরিবা এদভোকেট রঞ্জিত শ্রীনীভাসনবু তমথিনা হাৎখিবা চয়োল অমা ফারবসু কেরলা পুলিসনা মীহাৎপশিং অদুবু আইদেন্টিফায় তৌবা অমদি ফাবা ঙমদ্রি।

অলাপুজা বার কাউন্সিলগী শক্লাইরবা উকিল অমসু ওইরিবা কুমজা ২০১৬তা অলাপুজা এসেমব্লি সিটতগী কন্টেষ্ট তৌখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরু ওইবা বি জে পি লীদর রঞ্জিত থা অসিগী ১৯দা মহাক্কী ময়ূমমক্তদা মহাক্কী মমা, লোয়নবী অমসুং মচানুপীগী মমাঙমক্তদা তমথিনা হাৎখিবনি।

মীহাৎ অদু দিসেম্বর ১৮গী নুমিদাংদা সোসল দেমোক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিরা (এস দি পি আই)গী ষ্টেট সেক্রেটরি কে এস শান হাৎখিবগী লমন খুম্বা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনখি। আর এস এস অমসুং বি জে পিগী ৱার্করশিংনা শানবু হাৎখিবনি হায়না এস দি পি আইনা মরাল শীখি।

এস দি পি আইগী লীদর হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং ফাবা ঙল্লবসু রঞ্জিত হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং মশক খঙদোকপা অমদি ফাবা ঙমদবদগী কেরলা পুলিসপু মায়কৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌনরক্লি। কেরলা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কে সুরেন্দ্রননা এজেন্সিদা হায়খি, কেরেলা পুলিস থবক তৌবা ঙমদ্রে, মখোয় ইফিসেন্ট ওইদ্রে। এদভোকেট শ্রীনীভাসন হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা ফাবা নৎত্রগা মশক খঙদোকপা ঙমদ্রিবসি এস দি পি আইগী ক্রিমিনেলশিংবু মকোক থোংবা ওথোরিটিশিংনা প্রোটেক্সন পীবা মাল্লি। অদুবু পুলিস ইফিসেন্ট ওইদে হায়বসি কনানা করম্না খঙগদগে। শক্লাইরবা এদভোকেট অসিবু নুংথিলগী মতমদা ময়ূমমক্তদা হাৎখিবা হৌজিক চয়োল অমা ফারে। জষ্টিস লৈহন্নবা কেরেলা পুলিসনা ক্রিমিনেলশিং অদুবু খূদক্তা ফাগদবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ষ্টেট পুলিসনা তূমিন্না লৈশিনবগী থৌওংদা পেন্দবা উৎলদুনা ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে সুধাকরননা এজেন্সিদা হায়, অলাপুজা সিটিগী ময়োলদা নুংথিলগী মতমদা তমথিনা মীহাৎ অমা পাঙথোকখিবা ক্রিমিনেলশিংবু কেরলা পুলিসনা হৌজিক ফাওবা করিগী ফাবা ঙমদ্রিবনো।

অদুম ওইনমক ষ্টেট পুলিসনদি পুলিস টিমনা মীহাৎপশিংদু ফানবা হোৎনরি অমসুং একুজশিংদু থুনা ফারগনি হায়না ক্লেম তৌরি। ইনভেষ্টিগেসন অদুগী চার্জ পুরিবা এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ভিজয় সাখারেনা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, মীহাৎ অদুদা হকথেংননা চেন্নবা মীওইশিং অদু ষ্টেট পুলিসনা কোৎইথি থীরি। রঞ্জিতপু হাৎপা মীওইশিং অদু কেরেলা পুলিস টিমশিংনা টামিল নাদু অমসুং কর্নাটকাদা থীরি।

চৈরকসিদা মীহাৎ অদুদা হকথেংননা শরুক য়াখিবা এস দি পি আই এক্টিভিষ্টশিংগী মনুংদা অমা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈরে হায়না কেরেলা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মিং অমসুং অকূপ্পশিংদি হায়দোরক্ত্রি। পুলিস সোর্ছ মতুং ইন্না, মীওই অদু অলাপুজা সিটিদগীনি অমসুং লৈখিদ্রবা রঞ্জিতকী ময়ূমগা নক্লে।

# কাশ্মিরদা চথখিবা সিক্যুরিটি ওপরেসনশিংদা টেররিষ্ট তরুক হাৎখ্রে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): কাশ্মিরদা হৌখিবা পূং ৪৮গী মনুংদা চথখিবা এন্টি-টেররিষ্ট ওপরেসন মরিদা টেররিষ্ট ৬ হাৎখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। হাৎখিবা টেররিষ্ট তরুক্তুগী মনুংদা পুলিস ওফিসল অমা হাৎখিবা মীওই য়াওই হায়রি।

পুলিসনা ওপরেসনশিংদুগী মতাংদা ফোঙদোরকপদা, অনন্তনাগকী কালান সিগুফৱারা ভিলেজদা টেররিষ্ট অমা লৈরে হায়বা অকক্লবা অরোনবা পাউ অমদা য়ূম্ফম ওইরগা থাংজ নুমিৎতা পুলিস অমসুং আর্মিগী ৩ আর আরনা জোইন্ট কোর্দন অমসুং সার্চ ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি।

টেররিষ্ট লৈরে হায়বসি শোয়দ্রে খঙবদগী সার্চ ওপরেসন অদুদা মঙোন্দা সরেন্দর তৌনবগী খুদোংচাবা মতিক চানা পীখি। অদুম ওইনমক, মহাক্না সরেন্দর তৌবগী খুদোংচাবশিং লৌবগী মহুত্তা জে ইন্ট সার্চ পার্টি অদুদা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ কাপ্লকখি অমসুং জে ইন্ট টিমনা খূৎ হনবদগী নাকল অনী নোংমৈ কাপ্নখি।

কাপ্লবা অদুদা টেররিষ্ট অদু শিখি অমসুং মহাক্কী হকচাং অদু থৌদোক থোকফমদুদগী লৌখৎখি।

পুলিসনা মখা তানা হায়, টেররিষ্ট অদু মশক খঙলে। মহাক্কী মমিং ফাহীম ভাত কৌই, অনন্তনাগকী কান্দিপোরাদগীনি। মহাক অথিংবা থমখ্রবা টেরর আউটফিট আই এস জে জেগী মেম্বরনি। জোইন্ট টিমনা হাৎলবা টেররিষ্ট অসি হন্দক্তা টেরর আউটফিট আই জে কেদা য়াওখিবনি। মহাক পুলিস ষ্টেসন বিজবেহারা মনাক্তা এ এস আই মোহম্মদ অশ্রফ হাৎখিবদা চেন্নবা মরু ওইবা এক্যুজ নি। মঙোন্দগী নোংমৈ মরুনচিংবা পোৎশক অমদি টেরর এক্টিভিটিশিংদা শীজিন্নবা পোৎশক কয়া ফংখি।

হৌখিবা পূং ৪৮ অসিদা পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অপূনবা টিমশিংনা চথখিবা মায় পাক্লবা এন্টি-টেররিষ্ট ওপরেসন মরিদা টেররিষ্ট তরুক হাৎখি।

# ফেক রিক্রুইটমেন্ট রেকেটকী মায়োক্তা পুলিসতা কমপ্লেন তৌখ্রে

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সী টি ঈ)গী তোঙান তোঙানবা ফমশিংগীদমক গেং অমনা রিক্রুইটমেন্ট টেষ্টশিং অমসুং ইন্টরভিয়ুশিং চথরে হায়না ষ্টেচুটরি বোর্দ অমা ওইরিবা এ আই সী টি ঈগী সাওদর্ন রিজনেল ওফিসনা টামিল নাদু পুলিসতা কমপ্লেন তৌখ্রে।

এ আই সী টি ঈ সাওদর্ন রিজনেল ওফিসর এম সুন্দরেসননা মীদিয়াদা হায়খি, নমথাক তৌবা মীওই খূৎপু অমনা রিক্রুইটমেন্ট টেষ্টশিং কন্দক্ট তৌখি অমসুং মতুং তাবদা ফাইভ-ষ্টার হোটেলশিংদা ইন্টরভিয়ুশিংসু পাঙথোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা টেষ্ট অমসু মতুং তাবা ইন্টরভিয়ুগী মতাংদা মহাক্না পুলিসতা কমপ্লেন তৌখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা চেন্নাইগী ফাইভ ষ্টার হোটেল অমদা ইন্টরভিয়ু অমসু পাঙথোকখি।

পোষ্টিং ওর্দর অমসুং অতৈ ফোর্মেলিটিশিংগী মতাংদা ইনক্বাইরি কয়া লাকপদগী এ আই সী টি ঈনা স্কাম অদু খঙলকপনি। এ আই সী টি ঈনা হকথেংননা রিক্রুটমেন্ট কন্দেক্ট তৌই হায়বসি এস্পিরেন্ট অয়াম্বনা থাজখি। লাং অদুদা থুখিবা কেন্দিদেট অয়াম্বা শেল-থুমদা শোখরবা সেক্সনশিংদগীনি অমসুং মখোয় থিরুভানামালাই, সালেম, মদুরাই, কাঞ্চিপুরম অমসুং ভেলোর দিষ্ট্রিক্টশিংগুম্বা রুরেল এরিয়াশিংদগীনি।

এ আই সী টি ঈগী সোর্ছশিংনা ফোঙদোরকপদা, এ আই সী টি ঈ চেন্নাইদা অহোংবা ফম ১৩দমক লৈরবসু নমথাক তৌবশিংনা ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা ভেকেন্সি ১৮ লৈ হায়না লাউথোকখি অমসুং মখোয়না ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা টেষ্টশিং কন্দক্ট তৌখি। ইন্টরভিয়ুগী মাঙওইননা এস্পিরেন্টশিংদা কোইনান্না ফান্দোক্লবা অমসুং খুজিলনিচিংবা মওং তানা কক্লবা খঙহল্লকখি। স্কাম অদু অশেংবা ওইনা উহন্নবা নমথাক তৌবশিং অদুনা এ আই সী টি ঈগী লোগো শীজিন্নখি।

# সী আর পি এফকী সব-ইন্সপেক্টর অমা হেদ কন্সটেবলনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে



হায়দরবাদ, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী হেদ কন্সটেবল অমনা সব-ইন্সপেক্টর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলবা মতুংদা মশামকসু শিজনবা হোৎনখি হায়রি।

থৌদোক অদু ছট্টিসগরগা লোন্নবা টেলঙ্গনাগী মুলুগু দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভেনকাতাপুরমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবনি। মুলুগুরু দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক অদু অয়ুক পূং ৪.৩০ তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু ইনক্বাইরি তৌরগনি।


পুলিসকী মতুং ইন্না, দ্যুটি রোষ্টরিংগী মতাংদা য়েৎনরকপদগী হেদ কন্সটেবল ষ্টেফেননা মহাক্কী ওটোমেটিক নোংমৈ শীজিন্নরগা সব-ইন্সপেক্টর উমেশ চন্দ্রদা কাপখিবনি। এস-আই অদু থজীন অমসুং মকোক্তা পানবদগী শোক্লবা মতুংদা মতম শাংনা কান্নদনা মফম অদুদা শিখি।

মদুগী মতুংদা ষ্টেফেন মশামকসু খূৎলাইদুমক্না কাপশিন্দুনা শিজনবা হোৎনখি। মহাক মকোক্তা পান্দুনা শোকখি। হেদ কন্সটেবল অসি ৱারাঙ্গলদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি, মহাক্কী ফিভম লুনা লৈ।

লৈখিদ্রবা এস আই উমেশ চন্দ্র বিহারদগীনি অমসুং ষ্টেফেননা টামিল নাদুদগীনি। থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা ৩৯শুবা বট্টালিয়নগী সি আর পি এফ টিম অমা ভেনকটাপুরম পুলিস ষ্টেসনগী প্রেমিসেসতা কেম্প তৌদুনা লৈখি।

ছট্টিসগরগা লোন্নবা টেলঙ্গনাগী মফম অদু মাওইষ্ট এক্টিভিষ্টশিং কনবদগী সি আর পি এফনা ঙাক শেন্দুনা লৈ হায়রি।

# পি এম এল এ কেসতা ঈ দিনা উত্তর প্রদেশকী এম এল এ ৱাহং পাউহং তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং (পি এম এল এ) কেস অমগা মরী লৈননা ভাদোহিদগী কাবা য়ু পিগী এম এল এ ভিজয় মিশ্রা ৱাহং পাউহং তৌরি হায়না ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

বিজয় মিশ্রাবু ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক ঈ দিগী ওফিসল টিম অমা মহাক্না লৈরিবা অগ্রা জেলদা থুংখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা ঈ দিনা পি এম এল এ কেস অমদা মিশ্রা অমসুং মহাক্কী এইদশিংনি হায়বা মীওই খরগী মায়োক্তা কেস অমা লৌখৎখি। প্রয়াগরাজদা লৈবা ঈ দি ওফিসকী টিম অমনা মেট্টর অদুবু য়েংশিল্লিবনি।

সোর্ছশিংনা ক্লেম তৌরিবদি মিশ্রা অসি মনি লোন্দরিংদা চেন্নে অমসুং মহাক্না মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংগী মতেং লৌখি। মহাক্না মুভেবল অমসুং ইমুভেবল এসেট কয়া পায়শিনখি। মহাকপু মুভেবল অমসুং ইমুভেবল এসেটশিংদুগা মরী লৈননা এজেন্সী অসিনা ৱাহং-পাউহং চথখি। মদুগী মথক্তা মহাকপু মঙোন্দা মতেং পাংখি হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মতাংদসু ৱাহং-পাউহং তৌখি।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না মখোয়না মহাক্কী এসেটশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন মখা তাবা ইনভেষ্টি-গেসনগীদমক ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং অতৈ এজেন্সীশিংদা থাগনি।

সোর্ছ অদুনা মখা তানা হায়, মহাক্কী এসেটশিংগী মরমদা মখা তানা খঙননবা মখোয়না অতৈ এজেন্সীশিংগী মতেংসু লৌগনি। মহাক্না ইনফোর্মেসন কয়া লোৎশিন্দুনা থল্লি। ঐখোয়না মঙোন্দা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া উৎলবসু মহাক্না ঐখোয়দা মীনমদুনা লৈরি।

ঈ দিনা হায়রি মদুদি, ঐখোয়না অথুবা মতদা পি এম এল এগী সেক্সন ৫গী মখাদা মহাক্কী এসেটশিং ফাজিন্নবগী প্রোসিদিংশিং লৌখৎপা হৌরগনি।

# কোভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে

হায়দরবাদ, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ভারত ভাইওটেকনা পুথোকপা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন-কোভেক্সিন অসি চহী ১২ অমসুং ১৮ মনুংগী অঙাংশিংদা ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে। দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না ভেক্সিন অদু কন্দিসন খরগী মখাদা চহী ১২ মথক্কী অঙাংশিংদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি। চৈরকসিদা চহী ১৫দগীনা ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংদা জন্যুৱারী ৩দগী ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

# চেন্নাইগী স্কুল ১০০দা এন সী সীগা মান্নবা য়ুনিটশিং লিংখৎলগনি

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): গ্রেটর চেন্নাই পুলিসনা সিটি অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা ষ্টুদেন্ট ইন রেস্পোন্সিবল পুলিস ইনিসিএটিভস (এস আই আর পি আই) কৌবা নেসনল কেদেট কোর (এন সী সী) গা মান্নবা য়ুনিটশিং লিংখৎকদৌরি।

পুলিস কম্মিস্নর শঙ্কর জাইসৱালগী ব্রেনচাইল্ড ওইরিবা ইনিসিএটিভ অদু অহানবদা সিটি অসিগী স্কুল ১০০ দা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি। প্রোজেক্ট অদুগী পান্দমদি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ঙাওশিন্নবা অমদি কা-হেনবা লম্বীদা চৎখিগদবদগী লাকশিন্নবা হোৎনবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু গাইদ তৌগনি।

গ্রেটর চেন্নাই সিটি পুলিস কম্মিস্নরগী মতুং ইন্না য়ুনিটশিং অসিগী লিংখৎপগী মরু ওইবা পান্দমগী মনুং চন্না অহানবদা স্কুল ১০০গী মহৈরোয় ৫০ মশক খঙদোক্কনি অমসুং মখোয়দা য়ুনিফোর্ম অমসুং অতৈ ফেসিলিটিশিং পীগনি। ক্লাস আইট তল্লিবা মহৈরোয় খরা মশক খঙদোকপগা লোয়নন্না মখোয়বু পুলিসকী এস আই আর পি আইৱিংদা য়াওহনগনি।

শঙ্কর জাইৱালনা হায়, ওপরেসন অসি লাক্লিবা জন্যুৱারীগী অহানবা চয়োলদগী হৌগনি অমসুং নুপামচা অমসুং নুপীশিং অনীমক্কী ওইনা মহৈরোয় ৫,০০০ রোমদা য়ুনিফোর্ম পীগনি। অহানবা প্রোজেক্ট অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌগদৌরিবা স্কুল ১০০ অদু আইদেন্টিফায় তৌরে। য়ুনিফোর্ম দিজাইন তৌবগী থবক চথরি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অদুগী করিকুলমসু পুথোক্লবা হোৎনরি। সিটি পুলিসনা এস আই আর পি আইগী কেদেটশিংগা লোয়নগনি অমসুং মখোয়দা লাইরিক, য়ুনিফোর্ম অমসুং ষ্টদি মেটরিএলশিং পীগনি।

# মীখল য়ৈথোক্লবা প্রপোজ তৌখ্রে

ভোপাল, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী মরোল অহুম লৈবা পঞ্চায়তকী মীখল য়ৈথোক্লনবা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রপোজ তৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীটিংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীটিং অদুদা ষ্টেট অসিগী পঞ্চায়ত মিনিষ্টর মহেন্দ্র সিংহ সিসোদিয়ানা শরুক য়াখি।

হন্দক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীখল পাঙথোকপা য়ানবা ইস্যু তৌখিবা ওর্দিনান্স অমা রিপীল তৌবগী ৱাফম মহাক্না কেবিনেটতা প্রপোজ তৌখি। কেবিনেটনা মিনিষ্টরগী প্রপোজেল অদুবু এপ্রুভ তৌখি।

কেবিনেটনা মধ্য প্রদেশকী পঞ্চায়তকী ইলেক্সন হৌজিক্কী ফিভম অসিদা য়ৈথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা গভর্ণরদসু নোটিস থাদুনা হান্না থোকখিবা মীখল পাঙথোকপগী ওর্দর অদু কেন্সেল তৌরে হায়বসি খঙহনখি।



# ꯐꯤꯔꯣꯢ / ফিরোই

হৌখিবা চহীদা লৈখিদ্রবী ঐগী ইশুনুপী য়ুরেমবম শীলবিয়া-গী ফিরোই লাক্লিবা তাং ০৩/০১/২০২২ ইং, ৱাকচিংগী ১ পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থোক্লে। নুমীৎ অসিদা ঙমজবা খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কৎচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইমা-ইবেল খ্বাই পূন্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবিরনবা অমদি প্রসাদি ফংবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জবগী অপরধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ূক পুং ৯:০০ - ভেগ কৎপা,
অয়ূক পুং ১০:০০ - সঙ্কীর্ত্তন হৌবা,
অয়ূক পুং ১১:০০ - প্রসাদি ফংবা।।

বিনিতগন ঃ
শ্রীমতি য়ুরেমবম ওংবী রমনি (মবোক)
শিংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাই।

HL-P/1045/25,27,29,31,1

ꯈꯣꯡꯍꯥꯝꯐꯝ / খোঙ হাম্ফমগী অমাংথোঙ মখুনদু ফুনজিল্লগা অমাংথোঙ মনুংদুসু পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংগী মপান অকোয়বগী স্কিন অদু পাশিনবা, অয়ূক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারকপগা অমাংথোঙ মনুংগী মপান অকোয়বগী স্কিন মপান অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বগী অমাংথোঙ মনুংদু ফুনজিল্লগা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অসি পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংগী অপাবা অকোয়বগী স্কিন পাশিনবা অয়ূক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবা অদু অকনবা ওইনা তারক্লগা অমাংথোঙ মনুংগী মপান অকোয়বদুগী স্কিন অপাবা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি অকনবা অমাংবা অদুনা অপাবা উনশা অদুদা খেতৎলগা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অয়ূক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা খূদিংগী অকনবতা ওইনা হাম্লকপনা ওইশিল্লগা লৈবা উনশা অদুদা থেংল-থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি ঈ খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাবা, অয়ূক্কী খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা অকিবা পোকপা, অহানবা অমাংবগী মচীন অদু অকনবা ওইরক্কনি খনবদা অকিবা পোকপা, অহানবা অমাংবগী মচীন অদু অকনবা ওইরক্কনি খনবদা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, খোঙ হাম্বদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, কোঙ্গোলসু য়াওরকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **M. Brojen Singh**
Keisamthong

HL-B/7295/27

সত্যমেব জয়তে
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

Azadi Ka Amrit Mahotsav



*"ঐখোয়গী দিভয়াং (হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা) ইচল-ইচেশিং অমসুং ইচিল-ইনাওশিংগী তুংলমচৎকী ওইবা ইনক্লুসিভ, এক্সেসিবল অমসুং ইক্বিটেবল পুন্সি মহিং লৈহন্নবা ঐখোয়না হনবা নাইদনা হোৎনরি। মখোয়গী থৌনা অমসুং মখোয়না তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা মাইপাকপা ঙল্লিবা অসিনা ঐখোয় পূন্নমক্তা ইন্সপিরেসন পীরি।"*
- নরেন্দ্র মোদি, প্রাইম মিনিষ্টর

## ইনক্লুসিভ ইন্দিয়া - ইম্পৱার্দ ইন্দিয়া

শঙ্গারিবা
**কম্পোজিট রিজনেল সেন্টর**
দিসএবিলিটিশিং লৈবা মীওইশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট, রিহেবিলিটেসন অমসুং ইম্পৱারমেন্টগীদমক

- মণিপুর অমসুং লোন্নবা মফমশিংগী হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিং (দিভয়াংজান)গী মথৌ তাবশিং য়েংশিনগনি
- প্রোস্থেটিক্স অমসুং ওর্থোটিক্স, ফিজিওথেরাপি, ওক্যুপেস্নেল থেরাপি, ক্লিনিকেল সাইকোলোজি, স্পীচ এন্দ ওদিওলোজি থেরাপি, স্পেসল এদ্যুকেসন এন্দ ভোকেস্নেল ট্রেনিং সর্ভিসশিংগী খুদোংচাবা ফংহনগনি

**মরী লৈনবা মতেং অমসুং এসিষ্টিভ দিভাইসশিং হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিংদা য়েন্থোকপা**

- এসিষ্টিভ দিভাইশিং দিভয়ানজান ১৫৮ দা লেন্না য়েন্থোক্কনি
- গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অচংমল অপুন্বা পুথোক্কনি
- শিভিরদা অনৌবা বেনিফিসরিশিংগী ওইনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী ফেসিলিটিসু ফংগনি

*শঙ্গাবীগদৌরিবা মিনিষ্টর*
**প্রতিমা ভৌমিক**
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট,
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

দিসেম্বর ২৭, ২০২১ | নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.০০
জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দ কেম্পস, তাকয়েলপাৎ, ইম্ফাল

davp 38117/13/0043/2122

ঐখোয়গী পোষ্টশিং য়েংবীয়ু @socialpwds www.facebook.com/DoEPWDs www.disabilityaffairs.gov.in দা